# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-10-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী তলব থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্লগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিরেননা হায়-লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী লৈনবগীদমক য়ুম লিশিং তরেৎ শাবদা কেন্দ্র সরকারনা অয়াবা পীরে। মতম খরগী ওইবা য়ুমশিং অসি বিষ্ণুপ্র জিলাদা লিশিং ১,০১৫, চান্দেলদা ৫১১, চুরাচান্দপুরদা ১, ৩৩১, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫৯৪, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২২৫, ককচিংদা ১,২১৭, কামজোংদা ৭৪, কাংপোকপীদা ১,৮১৩ অমসুং তেংনৌপলদা ৮৮০ নি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা চিং অমসুং তম্পাক্কী পুন্না লম্বী ১১৭ শেমনবা পস্তাব তৌবদা সেন্ট্রেল রোড এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দগী মখাদা লম্বী ৫৭ কীদমক লুপা কোতি ২১৭ কায়থোরক্লে। লেমহৌরিবশিং অথুবা মতমদা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ-রেমালনা মাঙ তাকহনখিবা অদুগীদমক লুপা কোতি ১৭০ কায়থোকপদা অয়াবা পীরে। রাজ্য অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবশিং কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা মতম চানা খুৎ থিংজিনদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনবীববু শ্রী বিরেননা থাগৎলি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা নোর্থ ফ্রন্ট্রিয়ার রেলৱেগী চীফ এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার-হিতেন্দ্র গোয়লগা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলোদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা মনিপুরদা রেল লম্বী অমদি মসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং নীংথিনা ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱা খন্নখি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ক্কারোক মরিং খুলদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুসিলকী পাউনা হায়-ফাগৎলপা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা-নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ট্যুব লোঞ্চিং অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ইনসাস রাইফলকী মেগজিন অমা, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু অহুম, বাউফেং রেদিও সেটনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৬ তা ককচিং বজারদা লৈবা যুকো বেঙ্ক ব্রান্স লুট তৌবদা চেন্নবা মীওই অমা ঙরাং ফাবা ঙমখ্রে। মীওই অদু ককচিং শুমক লৈকাই কৈথেল মচা পরিংদগীনি হায়রি। মীওই অসিদগী লুপা লাখ অহুম হেনবগী শেনফম, লেপটোপ অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোননচিংবা পোৎলমশিং ফাগৎলে। মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

ভারত লান্মী, অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর অমসুং চান্দেল জিলাগী মফম খরদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চুরাচান্দপুর জিলাগী থারোইলোক এরিয়াদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা কন্ত্রিমেদ পোম্পী মোটার অনি, কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলস অমদি মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা জিলা অসিগী লমদাং ভিলেজতা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা থ্রি নোট থি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

অমরেমাদা, মনিপুর পুলিসনা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন ন্যু দিল্লিগী মখাদা পুলিস পার্সোনেলশিংবু হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈননা খঙহন্নবগী

পান্দমদা দিবেটিং কম্পিটিসন অমা ঙরাং অহানবা মনিপুর রাইফলসকী বস্কেট হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরম অদু মনিপুরগী দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা হৌদোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কামজোং জিলাগী ৱাংলি খুলদা উ থাবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ভিলেজ ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ কলেজ চান্দেলগী ৪৪ শুবা এন্যুয়েল স্পোর্টস মিটকা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং খুদোল তমখ্রে হায়রি।

**নোংমৈ (এল)ঃ** মীরমদগী পাইরকপা উচেক-অমুর ফালকোন য়াওনা লমলক্কী শা-উচেকশিং হাৎতনবা নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খঙহনবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা পায়রিবা ইয়ার গনশিং হয়েং ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকবা হায়রি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীরমদগী পাইরকপা অমুর ফালকোন হৌজিক নোনে জিলাদা চাক্তারবা হৌরে। উচেক অসি নম্বের থা লোইরকপা ফাওবদা চাক্তারবা মতুংদা অমুক পাইখিগনি।

**নোং ঃ** নোংলৈ নুংশিৎ-ধানানা বঙ্গোব সাগরগী নোংপোক অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা কন্না শিৎচিল্লকপনা মরম ওইদুনা উরিষ্যাগী সমুদ্র খোঙবান-বিতরকানিকা অমদি ধমরানচিংবা মফমশিংদা ঙসি অহিংদগীনা হয়েং অয়ুক অঙনবদা ফাওবদা পাক শন্না অকনবা নোং চুগনি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অসি পুংদা কিলোমিটর ১০০ দগী ১২০ ফাওবগী চাংদা শিৎকনি হায়রি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা উরিষ্যাগী মফম খরদা ফ্লাইট সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা স্কুল-কলেজ অমদি য়ুনিভরসিতিশিং হয়েং ফাওবা ছুতি লাউথোকখ্রে।

অকুৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকপগী থবক চথরি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়-রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুলগী মফমশিংদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

**পঞ্চায়টঃ** পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রি-রাজিব রঞ্জন সিংহনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্কী ৱেদর ফোরকাষ্ট হৌদোক্লগনি।

পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়না ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা থৌরাং অসি হৌদোক্কদবনি। থৌরাং অসিনা গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্তা নুমিৎ মঙানি খুদিংগী নোং চিংগী ফিভম মাংজোননা খঙহন্নবা অমসু পুং খুদিংগী নোং চিংগী ফিভম য়েংশিন্নবা খুদোংচাবা পীগদৌরি। থৌরাং অসিনা খুঙ্গংদা লৈরিবা মীওইশিংবু হেন্না শক্তি পীদুনা গ্রাস রুট থাক্তা থোকহল্লক্কদবা খুদোংথিবশিং মাংজোননা শেম শানবনি। মসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমীশিং অমসুং খুঞ্জাশিংদা হকথেংননা কান্নবা পীরগনি।

**এফএমঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গা সেনিয়ার ইকোনোমিক এদভাইজর-আর.কে. জেনানা হায়রি-লৈবাক অসিগী সহর ২৩৪ দা লন্নাই এফ.এফ. রেদিও চেন্নেল ৭৩০ হাংদোক্লগনি।

রাঞ্চিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-এফ.এম. রেদিও চেন্নেল ১৯ না ঝরখন্দগী জিলা তরুক-বোকারো, দিওঘর, ধনবাদ, গীরিধি, হজারিবার্গ অমসুং মেদিমি নাগরনি। মহাকা হায়-এফ.এম. রেদিও চেন্নেলশিং অসি হাংদোক বা নিলাম তৌবগী থবক হৌরে। মীয়ামনা নম্বের ১৮ ফাওবদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি, নিঙোল চাক্নৌবা মমাংদা তলব, পেন্সন অমসুং আই.দি.পিশিংগী পন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং থাদোক্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা ইরাং থোকপদগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা অথিংবা থমখিবা অমদি উখ্রুল-কামজোং ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবা য়ারোই হায়না লুপ খরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অসিনা ওইরি।

পোকফমদা-নিঙোল চাক্নৌবা মমাংদা তলব, পেন্সন অমসুং আই.দি.পিশিংগী পেন্দিংদা লৈরিবা শেনফম থাদোক্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-তম্পাক্তা কনক্রিট রোড অথুবদা শেল্লগনি, চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিংদসু কনক্রিট রোড শেল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-শান্তি পুরকবা য়ামা কন্না হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লুপা ক্রোর ২২০ লোম চংগদবা ৱার্ল্ড ক্লাস ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমা শারগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট তুইবোংদা ইরাং থোকপদগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনবা উরে।

সোসিএল মেদিয়াদা চাইথোরকখিবা চেরোলনা মরম ওইরগা চিফ মিনিস্তর শিনবা, শিন্দবা ঐগা মরী লৈনদে-বিরেন হায়বা পাউ অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী

অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসিগী মখাদা চিং অমসুং তম্পাক্তা শেমগৎ শাগৎনবগীদমক অহেনবা লুপা ক্রোর লিশিং অমা কায়থোক্লগনি হায়বা পাউ অসিনা সব হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা য়ু.জি. মশেল খুৎ থোকখ্রে। অশি-অনা য়াওখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

উখ্রুল-কামজোংদা ঙমখৈ শম্বল খাবা য়ারোই হায়না নাগাগী সি.এস.ওশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

বোডর ভিলেজশিংদা হান্না লৈরম্বা মীওইগী মশিংদা রিফ্যুজি মশিংনা হেনগৎলক্লে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-বোর্ডর ফেন্সিং তৌবগী মহুৎতা এন.আর.সি. অপদেদ তৌনবা অমসুং পোপুলেসন কম্মিসন লিংখৎনবা থবক পায়খৎলু হায়না তাংখুলগী সি.এস.ওনা সরকারদা তকশিনখিবা ৱাফম পাউ অসিগী অহানবা লামাহদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস অমসুং তাংখুলগী সি.এস.ওশিংনা হিল এরিয়াজ কমিতিগী ৱারেপ য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-এন.পি.পি. মনুংগী ৱাথোক য়েংশিন্নবা নেসনেল টিম ইম্ফালদা থুংলরে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলেং টাইমসতা-কামজোং জিলাদা বোডর ফেন্সিং তৌবা য়ারোই হায়না তাংখুলগী সি.এস.ওশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।